# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-09-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমমক পুনশিন্নদুনা মপাঙ্গন কন্না লেপমীন্নবা মতম ওইরে।

ফুদ প্রোসেসিংগা মরী লৈননা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি। মহাকা হায়-মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহন্নবগী লমদা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎলি।

চীফ মিনিস্তরস ইকোনোমিক রিভাইবেল মীসনগী মখাদা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাই পার্ট টুদা নুপী ১৫০ না শরুক য়াদুনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ফুদ প্রোসেসিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা নুপীশিংগী হৈ-শিংবা হেনগৎহনবতা নত্তনা মখোয়দা শক্তি পীদুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ত্রেন্নিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংগা মুখ্য মন্ত্রিগা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখি। ত্রেন্নিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা শাবা পোৎলম খরসু পুরক্তুনা মুখ্য মন্ত্রিদা খুদোল তমখি। মুখ্য মন্ত্রিগী মায়কৈদগীসু লমদম অদুগী নুপীশিংনা ফুদ প্রোসেসিংগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা হৈ-শিংবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদগী য়াম্বা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী চেরোল অমদা হায়-থৌবাল জিলাগী ফাইনোম হিলস রেঞ্জতগী হেন্দ গ্রেনেদ মরি, পম্পী সেল অনি, দিটোনেটর অহুম, স্তন গ্রেনেদ

অমা, ষ্টিংগর গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অমা, রেদিও সেট অনি মনিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসনা ফগৎলে।

কাংপোকপী জিলাগী লোইচিং রিদজতগীনা থ্রি নোদ থ্রি বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ২০, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, দিটোনেটর অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অমা, স্মোগ গ্রেনেদ অনি, লোং রেঞ্জ ৱাকি টোকি সেট অমা, কন্ত্রি মেট মোটার বোম অমা, লোং রেঞ্জ ইমপ্রোভাইজ মোটার সেল অমা, বি.পি. জেকেট অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম মনিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসনা ফাগৎলে।

অমরোমদা, চুরচান্দপুর জিলাগী গোথোল ভিলেজতগীনা পম্পী ইমপ্রোভাইজ মোটার অনি, মনিপুর পুলিস, বি.এস.এফ. অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা ফাগৎলে হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে ২০২৪ গী পালন ঙরাং চান্দেল জিলাগী ওক হিল খৃষ্টান একাডমীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-চান্দেলগা খুৎশমরগা শিনবনি।

চেঞ্জিং দা নেগেটিব ওন সুইসাইদ, স্তার্ট দা কনভরজেসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চান্দেলগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা: জোয়সন মেথিয়ু মোনশাং, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রামগী দি.এন.ও. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: সাকচুং সেরবমনচিংবা শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (এ.বি.পি.এম.জে.ৱাই) স্কিম হৌদোকখিবগী চহি তরুক মপুং ফারকপগী পালন থৌরম আয়ুসমান পোখৱরা ঙরাং ককচিং জিলাদসু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হেলদি লাইফ স্তাইল-এৱে ওফ লিভিং হায়বা হীরমদা লাই

য়েকপা চাংদমবা অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা রন ফোর হেলথ হায়বা হীরমদা রেল্লি অমসু পাঙথোকখি। নেসনেল হেলথ ওথোরিতি অমসুং ষ্টেট হেলথ এজেন্সিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিং অমসুং সি.ঐচ.সি. ককচিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এসিষ্টটেন্ট কম্মিস্নার-আই.এ.এস. অনুনে অনন্দ, ককচিংগী সি.এম.ও. ডা: থাউদম রাজেন সিংহ অমসুং সি.ঐচ.সি. ককচিংগী মেদিকেল ওফিসার ইন-চার্জ ডা: তখেল্লম্বম জ্লোন সিংহনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোই ৩৫০ রোমনা লাই য়েকপা চাংদমবদা শরুক য়াখি অমসুং মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** নোনে জিলাদা ঙরাংগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪১.৯১ অমা ওইদুনা রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইরি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চুরাচান্দপুরদনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩২ গী মথক্তা শাখি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী ৱেদর রিপোর্টতা হায়-ককচিংদনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১ গী মথক্তা অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং সেনাপতিদনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩০ গী মথক্তা শাখি। ঙরাংগী ওইনা চুরচান্দপুরদা মিলিমিটর ২১.৮ য়ৌনা নোং চুখি। ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী, নোনে, সেনাপতি অমসুং তমেংলোংনচিংবা মফমশিংদসু পারপনা নোং চুখি হায়রি।

অমরোমদা, মেট ওফিসকী পাউনা হায়-মনিপুরদা ঙসি ময়াই ওইরপ্পা চাং ওইনা নোং চুরবা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ২৬ তগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈরবা য়াই। হায়রিবা ফিভম অসি লাক্লিবা নুমিৎ হুমনিদসু থোইনা অহোংবা লৈরদবা য়াই হায়রি।

**পেন্টিং (এল)ঃ** ৱার্ল্ড টুরিজম ডেগা মরী লৈননা ঙরাং মনিপুর টুরিজমনা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্ট, কেটরিং টেকোলোজি এন্দ এপ্লাইদ ন্যুত্রিসন মনিপুরগা খুৎশমদুনা লাই য়েকপা চাংদমবা অমা ইম্ফালদা লৈবা টুরিজম দাইরেক্তোরেটদা পাঙথোকখ্রে। টুরিজম এন্দ পিছ্ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোই ৩০ না শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ই-ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মহারাজ বোধচন্দ্র কলেজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টেল হেলথ ডেগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং চান্দেলদা নহান তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অইং আশগী খল হোংলকপা অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনদুনা থমবগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফ্রেন্দলি বোলিবোল মেটচ অমা উখ্রুল জিলাগী খোইয়াং অমসুং য়েনতেম ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**এঠলেটিক (এল)ঃ** মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৪৩ শুবা রাজ্য থাক্কী মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক্স মিট ২০২৪-২৫ মথং থাগী ১২ দগী নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্লগনি।

এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-খুন্মন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা মিট অসিদা শরুক য়ানিংবা এঠলেটশিংনা চিংমৈরোংদা লৈবা এসোসিয়েসনগী ওফিসতা থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগা মথং থাগী ৮

ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

**বিরলা ঃ** লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়রি-হৌখিবা চহি খরা অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং খুমাং চাউশিন্না চংশিল্লি।

কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসনগী ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রিগী ঙরাং মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা পাঙথোকপা চহিগী মীফমদা শ্রী বিরলানা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা রেল লম্বী, নোংথক লম্বী অমসুং কংফালগী লম্বী থোংশিং ফাগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থল্লিবা ভিজন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক লমদমগী চাউরবা থৌদাং লৈ। ঙরাংদগী মিজোরাম বিধান সভাদা হৌখিবা কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসনগী মীফম অসি ঙসি লোয়শিনগনি। মীফম অদুদা রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্স নরায়ন সিংহ, নাগালেন্দ বিধান সভাগী অধ্যক্ষ অমসুং সি.পি.এ. জোন থ্রিগী চেয়ারমেন-সরিঙেন লোংকুমর, মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমা, মিজোরাম বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-লালবিয়াক জমাং অমসুং অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী লাকপা মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে।

মনিপুর ন্যুজতা-ৱার্ল্ড টুরিজম ডেগা মরী লৈননা হেরিটেজ কেটেগোরিদা অন্দ্রো ভিলেজ, ভেষ্ট টুরিজম ভিলেজ এৱার্ড ফংলে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা

মনিপুর মেল অমসুং পোকফম য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-চীফ মিনিস্তর সংমানা প্রিসাইদ তৌদুনা গুৱাহাতিদা এন.পি.পি. মনিপুরগী এম.এল.এ. তরুক য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা মনিপুর লৈঙাক মনুংদা বি.জে.পি. অমসুং এন.পি.পি. শেৎন-খায়নরদ্রা হায়না কল্লর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা আইন য়াদবা মওংদা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থৌওংনা মীয়ামদা খোইশাওনহল্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সেন্টরনা প্রজাশিংগী অধার অমসুং পানগী অকুপ্পা মরোল লিক তৌবা ৱেব সাইটশিং থিংজিল্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দেঙ্গি নাবা মীগী মশিং ৬৯০ য়ৌখ্রে, নোংমদা মীওই ২৯.২ গী চাংদা পোজিটিব ওইরক্লি হায়বা পাউ অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা দেঙ্গি সেম্পল কল্লেক্সন সেন্টর ১৭ হাংদোকখ্রে হায়না কল্লর হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-সেপ্তেম্বর ২৮ গী মাংওইননা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নৌনা বঙ্কর কয়া শাজিল্লক্লে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-কাংলোন কায়না হায়ৱেদা থিংলিবশিং লৌথোকউ হায়বা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়নগী ৱাফমনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-পাউমীশিংগী মেদিয়া লিগেল এসিষ্টেন্স ফন্দ লিংখৎলে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুম্বী এস.দি.সি. ওফিস শকখণ্ডবশিংনা মৈ থারল্লে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ম্যান্মার জন্তানা শান্তিগী ৱারী শান্নসি হায়বা রিজেক্ট তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিদা লৈবা টি.বি. নারবা মীওইশিংদা মচি ওইবা চিঙ্গাকশিং য়েনথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোং দ্রাইভর এসোসিয়েসননা ত্রক দ্রাইভর অমা ফুরকখিববু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। অথুবদা এক্সন লৌখৎপীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কাউ যাত্রা নৎত্রগা গৌ ধৱজ ইসথপানা ভারত যাত্রা সেপ্তেম্বর ২৮ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু নাগালেন্দ সরকারনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।